ED

মিংনাইদবী

পাবীরিবাশিংদা—

য়েক্লিবা শক্তমসে,
অচম্বা সুংগী শকওংনি,
পাবরিবশিংগী চিংন-পয়ৈ কাকপীয়ু।
অশেংবা থমোয়গী পাউদনানিংবা থরদং,
পীনিংলুবনা পাবোরিবশিংগী মফমদা,
উৎলুবতনি রাখলগী শক্তম অমক্তং।

অইবা।


মখুম য়েকপাঃ—
— সুন্দর

মওং পুথোকপা
— অইবা

লুপা ২.০০

ফোঙজবা—

রাজেন



ইম্ফাল—

মে, ১৯৭২

অহানবা থুৎনম।

কোপী মশিং— ১০০০

দি আর্ট প্রিন্টিং রাক্স, ইম্ফাল

ৱাহৈ অমা অনিশুং

হৌজিক্কী মতমদা মখল কয়াগী লাইরিক উবা ফংনরে। অদুবু সাহিত্য হায়বসিদি মপান নাইদবা ঈপাক অমনি। মসিগী মনুংদা কুমহৌদুনা অমদি লাইঙ্গ ঈপাল লাংচদুনা সাহিত্যগী অথুম্বা ঈংনললক্তা তাওদুনা ঈরোইজবা পামচবনা লাইরিক হৈবগী অনিংবনি। অশেংবা লাইরিক হৈবনা পাংচব্রিবদি হৌজিক্কী মতমদা চেন্নিবা হুংশিবগী অহোংবা ঈচেল অসিগা লোয়ননা মাং অমসুং তুংদা ওইবা য়াবা থৌদোক্কী ইহুন অমত্তং উৎতুনা মঙ্গাংদা পুথোক-নিংবনি। লোলদি য়াম্না চন্না হৈক্তে। ফোংদোকপা হৈতদবগীদি খঙদে, অচম্বা থগোয়না তশেংনা হুংশিবগী শক্তম অমত্তং উৎনিংবগী ৱাতনি। য়ারিবংথৈ হৈশাগী লোন্দা ইনবা হোৎনজে।

লাইরিক অসি নম্বদা, অৱাবা শরুক য়াবীখিবা দি আর্ট প্রিন্টিংৱার্ক্স, অমদি প্রুভ পাবা মতেং পাংবীখিবা ঐগী মরূপ মপাশিংদা তৌবীমল থগৎবা উৎচরি।

অইবা

"হৌরবা পুনসিগী মতাং অমবু—পুনসিগী খাওফমদা চেংনখিবী কনাগুম্বী অমগী নিংশিংবনা তত্তনা ওৎপিরবা, তত্তনা পোথাবা ফংহন্দ্রবা নৌমিবা কবিগী তেংথাগোলনি। 'মিংনাইদবী' পাকবদা শ্রীখুমন্থেম ইবোহল সিংহগী 'থম্মোয় পাউদম" হায়বা শৈরেং অদু তত্তনা নিংশিংহল্লি। ইটালিগী কবি পেট্রার্ককী 'লভ সোনিট'কী মওদা ইবা কবিনা মাগী রাখলগী পোথাফম ওইনরিবী কনাগুম্বী অমবু লাইগুম্না লুনা চেৎনা লৈসি-লৈথোঞ্জবগী মওংদা ইবা অসিগুম্বা শ্রী মঙ্গীচন্দ্র সিংহগী 'মিংনাইদবী" অসিদসু কাম্বরা থংমোয়গী মপাউ শেংনা হাউরি।"

ডাঃ বাসি

(ওল ইন্দিয়া রেডিও বুক রিভিয়ুদগী)

অমুকস্নু থল্লকই—থল্লকই — — —

নংগী নুংশি শক্তমদো তাখিদুনা ময়েক লানা

কোকপা ওমত্রত্রনে নংগী মৈচাকশিবু ঐগী থমোয়না।

নত্রগা—

নুংশিবা হায়বা লাইদুনা ঐগী থোয়দা চংখিদুনা,

ইনোৎ পীরত্রা পুক্রিংদা, নংগী নুংশি ঈথিননা।

করি[illegible]নে তোৌরবসিবো— খংজে।

[illegible] পুক্রিং হকচাং নংগী নুংশি রাখলদা,

বু[illegible]লৌশিং পূম্নমক তারে কায়দ্রবা অবেম্বদা;

হৌত্রবা মংলানগী রাখলগুম কায়দ্রবা ওইদ্রবা আশংদা।।

নন্দ্রগা—

থমোয় অদুবু নংগী থৌদু কুংগুম কল্লবা?

নুংশিবা হায়বা শরুক্তো নংগী থমোয়দা যাওদ্রব্রা?

নংগী থমোয় অদুদা তাইবং শেম্না মপুনা,

চায়-নুংশিবা হায়বদো লেম্বীনগদ্রবনে মপু মহাক।

অদুবু—

চহি কয়াদি হৌখ্রে উহৌইনে নোংমা ঐনা,

হৌরুংবা মায়থোংদা নংগী, তরু তরু কনাননা,

ঐগী থমোয়দা য়েকশ্রবা নুমিৎতুদা উহৌবা শকওংদো।

থরদ দি থাগেকো পেম্না, নুংশি নংগী শক্তমদো।

করিবু ভমগনি ঐনা, ঈশ্বর মাগী খুৎশেমনি,

থাবা থোইদোক হেন্দোক্না, হায়জনিংবা থাজনিংবগী থাবনি।

থরদংবু পামজবগী পনবতনি নুংশিবগী পাম্নুনা শোনদবনি

নুংশি নংগী শক্তমদো মতমদুদা ফাওখিবা ঐঙোন্দা,

খাংঙমখিদে রানা ঐহ ক্তি তনিকখিরে নিক্না থমোয়দা।

নংগী—

ঙৌরুনবা তবাবা মায়থোংনি নহাক্কী মিয়েংনি কোইরাওনবা
লাওতক ভৌবা মিৎতাগী মিস্নাচুদা তরু-তকবা,
তাথরকই কোনতক-কোনতক পাগী পরেং অচুনা।
য়েংলকই ফজবী সুরানা শজি মিত্তাগুম তথকনা।
পাখং কয়াগী থমোয়না সুরা নংবু হুন্দোকুনা,
লাইবকথিবনি য়েংহৌদবা মখোয়গী চৎখিবা থোক্লবা য়েংঙমদনা
মুরংননা কোন্দানবা পিগুম্না হাইথরকপগুম চৌংগী নাপোম
নীংথিনা লৈতেংলবা পিগুমথক্কা লৈরি লীরুংগী মওংগুম।
অমুবা কাজোন্না য়েকশিনবদো খোইরাংনথি কনাগী পুক্লিংনা।
পাকতক তাবা লাইবক্তা অঙাংবা শিন্দুর নম্বদো পিকতক্না,
কয়াগী মতিক ফজবা ভুমতক তাবা নাংোম্না।
কয়াদা রাশি লৈখ্রবা য়েংউ খুদিং রাৎংবনা,
নোই-নোই লাওবা তঙাং-তঙাং ফজরবা,
মতৌ লৈবী খজাইনি সুরাগীদি চোন-জোনবা।
মসিবু উবদা কনাগী পুক্লিংনা খোইরাংদবা ঙমগবা।
মোমোন নোকপা মীনোক্তো ঙমলোইয়ে ঐহাক্তি কাওবা।
নীংথিবী সুজাগী মিয়েংদো খোইদাক্তে ঐগী পুক্লিংনা।
তনান-তনান ফজ্রেদো চুবা তাবু য়েংলকপনা।
লাইবক থক্তা হাইথরকপদো লমহেনবী শমলাং থরনা,
হাইনা হুম্না খাংবদো চৈথেং পীবদা মালংবনা,
কয়াগী মতিক লাংহনবা ঐগী থমোয়দা সুংশিবনা।

য়েংথিবা পুম্বদা—

হকচাং কায়াৎ পুম্নমক মিৎফমবু হোংবা য়াদেদো।

তবা-তাবাবা চিনবাম্না হাইকেৎ-কাই লেংবদো,
কয়াগী মতিকতি নীংথিবা ঐনা কাওগে ঙমদেদো ॥
পিকতক তৌবা য়াশিংনা পরেং-পরেং নীংথিনা,
হাইকেৎ নোকপদা, ইঙৌ-ঙৌনা লৈবনা ॥
কয়াদা য়াশি লৈশ্রবা ঙৌকনবা নীংথিবা মাযথোংনা,
তিমকন্দো সুরাগী হাংথরকপা চুবা নাপ্লা অনিনা.
ঙাংতন মচিন হাংশিবা থাসিগে কনি হাযনা।
নীংথিবী ম য়থো: চুবু মুক্তাগী র'ৎলগদ্রনে ঐনা হায়বনা ॥
নাদা য়াল্লিবা অরংবা তঙাংবা সনাগী অনিতুনা,
ফংঙমদ্রবা সুবাগী নাপ্নদা য়েবদো তপ্না তপ্না,
তাংলবা ফংঙমদ্রব মফমদো ফংগে তানবদা কনানা;
কুন্দোর নায়িন্না থেংবদো পাম্মুক্কে পাম্মুংচেযে ঐহাক্না।
নীংথিরবী মুক্তাগী ঙকশন্দো কয়ম্নবু থাসিগে ঐহাক্না।
লোইরোয় তানা ঙকশমনে ফৈংযে পুক্লিং হুনা।

রেংবদা—

অস্তক্কী মংকিং ফজনি অঙকপা ফজবনা থম্লনি।
লাইজনা চেনবা শকনা কনানা উগদবোই নিংগনি ॥
ঙক্কী ঙকখুপ পাবং পিকতক পিকতক হৈরিবা,
হেনগংহল্লি সুরাগী ঙকশনতুবু ঙৌকনবা কুচুতুদা ফজবা ॥

হাইফেৎতা ঙাংবনি—

য়াম্না ঙা বদি নঙ্গেকো ঙাংইনবা গাতোর ইনশিন্নি।

মচু লময়ৌবীন—

চেংতক তৌবা খ্বা তুদা হিগোক ফনেক শেৎচিল্লি।

অঙৌবা কুচুতুদা—

ঙাংলৈনবগা হিগোক্না পাবদা কয়দি ফজবা কুচুদো।
অতিয়াগুন শংবাননদা উরেদো মতমতুদ গুরাগী শক্তমদে ॥

ঐগী থমোয়দা মচুনা কয়াগী মতিক মুংনাংহনবা ?
মফম খংদরে, কঙাওনরে, লৈতাদে, ঐহাক মতমপুন্না ॥'

করিগুম্বদা--

শেংলবা অতিয়া মকোয়দা ভৌকনবা নোংনা পাইবদা,
নিংশিংবই নংগী বুংদো, নংঙকো ! খল্লকই পুন্নিংদা।।
"শোনজে।
'হায়জে।
'নিংজে।"
কাওবা ঙমত্রবা। ঙমত্রেদকো যৌবা নাপ্পদা নংগী
নীংথিরী পাম্বোম অনিনা তপোপ-তপোপ্পা নংগী ॥

কয়াদি নিংথিজবনো ?

ভৌরোক ভৌবা কুচুদো লক্ক মতুপকুম লৈবিবা।
থম্বা হেরাঙুম তাথরকপা পাম্বোমগী অচেংবা,
অমুবা ঘড়ী মরিনা লাকশিনবা কয়াদা কফথবা ॥

ওইথংবা খুৎতুগী --

খুৎশাগীদি মশোনথংবা থংনবা খুৎনি থৌ কৌবা,
পুমবুম তাবা খুংগদা সনাগী খুদোপ্পা লৈহেংবা,

অঙাংবা--

থবী মরুগী মঙংদো তম্ফানা য়াইদা চনবদো।
বয়াগী মতিকতি গুংঙোনবা মুগা নংনা শিবদো ॥

অউবা কাংবুনা--

শি রমগনি ইপিচা খুদিংমব মুবাগী নংঙৌ ভমচুনা।
অরাবনি উহৌদবা কয়াদো, চৎথিবদো নীংথিবা শাথেকা !!
ভৌথোকপা খুদিংদা পকচৈদো হায়দোকপদা লেমজৈদো মুজান
নংবুঙকো নংবুংকো থমোয় শোরা শোয়নিয়ে লোনগাশিংনা।
উহৌবদি মিহৌ চাওবশিংনা মুরা নংগী শকক্তমদো !!
মুরাগী ফনেক খুৎশেৎতো মাংদা চোন-জোন থাদৈদো।

মপাচাগবা কয়ম্না হায়রগা তুংদা কৌরপ তাবদো॥
ঙৌরোক ঙৌবা খুবোমদো খোংথাং অথাং খুদিংদা,
হায়ফেৎতংদি উকবা খাঙমগদবা কনানা তনিকই থমোয়দা।
পুমবুম ফজবা খুবোমনি থাবগী পেনবা নাইত্রবা।
তঙাং-তঙাং নৌংখিরীবী সুরাগী খুনিংনি ঙাংলৈনবা॥
অনানবা লৈশোনগী অঙাং বা, ময়েক নৌংখিনা হৎলবা,
মুক্তা নংনা তোংখিবা শেন্দলদো কয়াদা ফজখিবা।
"ফজৈরে।
নৌংথিজৈ!
পামজৈয়ে।
কল্লকচৈরে।
শোনজৈয়ে।"
থমোয়দা —নংতকো॥ নংতকো॥।

অজুবু—

ফংত্রেদকো। পুক্লিংগী অপাম্বা অদুদি ঐগী পুক্লিংনা॥
তুংয়ানতাবু য়েংলকপা —
লুতুংদা হাইথরকপা খোইতক-খোইতক তাবা,
অমুনা শমলাংদো কয়াগী মতিক সুংঙোনবা।
মুতক-তাবা য়িবোননা পুনবদো শমজি মতোন্দা।
সুরাগী নৌংথিবী তুংয়ানগা পুমবুন তানা পক্লেদো।
খোংথাং অচৎ খুদিংগী ফংঙমত্রবা মফমদুদা কনানা,
নিক-নিক লাওবা তোংশানা নোম-নোম লেঙছুন,
সুরাগী শম্বুল অদুনা তপ্লপ-তপ্লপ য়ৈবদে',।
পোপ-পোপ থেংবদা মিংফমবু হোংবা য়াদেদো॥

ফংঙমত্রবা—

লাইবকফৈদা শম্বলদো সুরাগা শঙ্গ ওইবনা,

ইরোম্ লোয়নৈ মহাক্তি মুজাগী লৈতেং ওইদুনা!
তাংলবা লুনা থমজবা শোনডৈদো থমোয়দা চিক্ !!
নোই নোই নিক-নিক চৎপদো লেংঙম-শাঙমদনা।
পাখং কয়াবু শুঙ্কৎলোইদবা খাংঙমগবা কনাগী থমোয়না।
খোইমু কয়ানা উরগা তকশি শায়নি— নংতকো।
লৈকা তম্না পাইনিংবা শাখপ তোয়বা ঙমদ্রেদকো।
মথোক কারকপগী রাখল অঙাওবা পুক্লিং ঈথিনদে।
থিংঙমলোইয়ে নহা কনানা পুক্লিংগী অনিংবা অপাম্বদো !!
চেংলৌ হেনবী মুজাগী মতা ফবা থবাকথক্তা;
ঙৌরোক ঙৌবা কুচুহ্না, পবেং থানবগুম মনিমুক্তা।
তঙাং-তঙাং তাবদো সনা লিক্লাং পরেংনা !!
কয়াগী মতিক ফজবা তনৌবী মুরাগী ঙকশমনা !!

অদুগীসু মথক্তা—

তাংথক নাইবা হকচাংদা থবাক লাকপিনা লাকশিনবা,
নোই-নোই তনির্ক্লি খুদিংদা মুরানা লেংবা,
অমনা হেনখিনি মতাগুম তান্ন হিগুম লৈরিব !!

অমুক পিকশন,

অমুক চাওথোক,

মোল্লবা হকচাং তোংশানা খোংল নোই-নোই লাওরবা।
স্বর হোন্দোক হোনজিন্দ, লেং লেং লেং-লেং লৈরিবা !!

অঙাংবা মচুগী—

খুদাং পাম্বোম মরু কক 'জমপর" ফুরিৎ ফিদুদে!
কনানা তম্নরোইদগে অউবাশিংনা মুয়া নংনা লিংপদো !!
নীংথিবী ফজবী নহাকপু শরাইবা নিংথৌগী রাণীগুম।
শীঙেললক্তগী মহেল্লি, মুজালক্তগী অথোইবীনি লাইগী মচাগুম
'কায়দ্রে আশা!

কামব্রে য়াখল—
কামব্রে পুম্নমক—
তারবনি অরেম্বা ॥

অচুবু—
ঙমব্রেনে খমোয়শিনা ঐগী নংবু কাওবা নিংশিংদবা ॥
ঙান্নেনে খমোয়দা ঐগী মঙালদো তরু-তরুবা !
খল্লি নংগী য়াখল কামব্রে খওনা খওনা !!

ও-নহাকসে—
ঙসাই মখৈ লোৎতুনা খনম্বনি থুপনা লোননা।
নংগী মিংলেন নীংথিবী ঙমক্তদেনে পনজবা ঐহাক্না !'

লাওনা শোনজবা !
কন্না হায়জবা !!
শোনজগে খমোয় তনিক্না খরদং নাপ্ন তপ্না।
"নুংশিবী !"
ঐগী খমোয় লকাদগী মপুং কাবা খোম্মোক থোকঙমম্নবসু,
শোম্নবা খোম্বাং অসিনা নুংশিবা খোঙেল থোকত্রবসু,
তাবা ফংত্রবসু য়োবা ওইসনু নংগী নাম্নদা।
ঐগী শোনজবা কৌজবা মশেল-মরাংলবা খোম্মোকসিদা।
উরকলে ইমাংদা শংশং-শংশং হৌখিবা থোদোক।
খল্লুরে কয়ারক হম্না চাকচরে খমোয় ইতোমতমক !!

নুংশি শক্তমদো
লেম্নরে ঐগী মাংদা মোমোন-মোমোন তৌরম্নুনা।

কাইহৌররেনে ঐবু—
কাম্নললেনে খমোয়সে খাঙমত্রবা নংগী নুংশি য়াখলনা।
য়োবীক্রমাল্লেনে পুকচেল চাওবী নংগী তিম্নবী নপীজাশিংক্লনা
পাউখাং কয়া হায়জখিবা চেনজখিবা কয়া লোননা !!

কায়ত্রে—

ঐগী থমোয় পাউজেলদো, ঐগী য়েংনবা সমাজদা।
হায়ীখিত্রবে মিকুপ অমা ফাওবা সুয়াশিংথুগী নামদা॥
মতিক চাদবা ঐগী পাউজেলথুদি তারে অয়েম্বদা।
ওইরে লমনকী উরৈগুম, অপুম্বা চয়কম থঙ্গ্রবদা॥
থুয়াগী ইতায়োই কনাদা ঐগী ঋপাউ চেনজবা,
'ঐখোয়দি অচুম্বা হায়নদে সুভা মানা হায়খিবা,
ঐদি মচু ওমজয়োই য়াম্মা ইকাইনজেয়ে হায়নবা!"
অসিগী য়াদি ভাবদা মায়থোং অসি লাংশিনবা॥
ইকাই সুংশি য়ামনা হায়খিবদো ঐহাক্না ইকাইয়প্পা।
ভাইবং মীওইবা হায়বসে হেম্পেদো মংনা ঐনা॥

ও-লাইবক ফবী নুরা-ও—

মীওইবা পুম্নমক অমনা অমগী মত্তং পাংনবনি।
ওসি নত্তোন্দা হায়জবা ঐনা মসি শোয়দবনি॥
হয়েংনা নংনা হায়জবা অসিনা লোইবা নত্তেদো।
ভুংগীস্ম থয়া য়েংউদা অককনবা পথাপ লৈত্তেদো॥
য়াসি ঐনা হায়খিবা লাইবক ফবী মুজাথুনা,
শাওয়মগত্রা থংত্রেদকো ঐবু, ভাংজ-মায়বু ওাংথুনা।
হায়রুবনো কয়ি সুংগী থমোয় কাবা ওমদবা ঐনা।
নিন্দা তৌত্রে থমোয়দা য়াজেদো ইত্তোমত্তমক য়ানা॥
ও-মানা ঐবু বারোরম্নগত্রা?
মরাল লৈত্তেকো কনাগী সুংশিরুবা ঐনা লানবনি।

অজুবু—

ঐবুদি ফেক্লমনিদো মহাক্না পুক্নিংদা য়াহৈথুগী সুংঙাইজবনা।
লৈরনিদো থুমাগী থমোয়দা কাওতমদনা পুন্সিসিমগী নিংশিঙ্গুনা

ও বারোগন্নুকো নুরাও—

ঐনা লানয়ে ।
ঐনা শোয়রে ।।
ঐনা থঙহৌরে ।।

পূময়ক অসিগী সকথি হুংশিবা, কময়া, থপাবনি।

মোংজুথাগী অয়ুক অমদা—

নোংজু-থা মতমগী নোংমগী অয়ুক অমদা,
নোংনা কয়া তারকপা ঈশিংনা ইতাও তাওরবদা,
সাইকল থক্তা তোংদুনা হয়া নংমা লাকপদো।
নোংম্ব অহোইননা তারকপা দুখা পূমচোৎ চোৎলেদো।
থৌদুনা নংনা পাকথরপ কলেজ মাইকৈ পাংলকপা,
অচোৎপা ময়ক অয়ুদা থুথৌ কয়া থৌরকপা।
অচোৎপা কিক্কেনা লৈতেং ওই নপশিনয়ে হকচাংদা।
তৈথোকই পীকতকপা রুমাননা মুয়াগী থাজ মাইথোংদা ।।
(অথোনবা মুখাগী কিদুনা তৈথোকই তপ্পপ তপ্পপ।
তাংথক নাইবা হকচাংদু উপ্রি কি-থক্তা তোংতয়া ।।
তপ নপশিনয়ে কাইপদ অনিদা কনেক অহুপ্র।
তপ নপশিনয়ে হকচাংগা অয়েথা মথকস্থ ।।)
নপশিনবয়ুদাদ মকম চারা অচোৎপা মিশেংনা,
উয়ে কাবাং অয়াজা হকচাংগা চপ মাদনা।)
কলেজগী মচিদা লেপ্তুনা য়েংথি নংগী মাইকৈদা।
নংবু থৌয়াংবা মিয়েংনা মিতাকম ওইথি থমোয়দা ।।
নোককেৎ নোককেৎ তৌদুনা, চিংনা হায়কেৎ য়েংলম্মী।
নীংথিবা থুংভুদা হিগোকী থাউ অমা য়ামম্মী।
নংমা লোম-লোম চৎপদো মথিদা য়ামা চিকভুনা ।।
নংগী নীংথিবা কনবা য়েকহৌয়ে ঐগী পুক্কিংনা !
সুমিত্তগী নীংথিবা মওংদো ওমলোয়য়ে কাওবা ঐথাকতি।

হকচাং কায়াৎ পুন্নমক উহৌরে য়েংহৌরে ঐহাক্তি।
পুক্নিং চংনা।
তিল্লাং খোইদানা॥
য়েংলবস্থ পুখোক্তুনা শক্তমদো ঐগী পুক্নিংগী মীৎয়াংদা,
কৱিমত্তা য়াৎলরোই উখিবা শকওংদো মুমিৎ অহুদা।
কৱিমত্তা শোয়বা লৈয়রোই কাওয়নি চপ মান্ননা।
মুমিৎতুনা কাওখিবা ঐঙোন্দা পুক্নিং ইথিন অহুগুম্বা॥
অমুকা থম্না হেন্না শোনজগে নাম্ন তপা।
ঐগী থমোয় হবাদো নীংখিবী মরাগী মিংলেন্না॥
'ঐগী"
'নুংশিবী।'
ইনথংলকপা পাথং ওইবগী থমোয়সে ঐগী নৌববা।
ওইয়রে শায়বা মরুভূমীগুম উ-বা হৌবা তমদবা॥
য়াথল লৈমন চন্নে; আশা মথোব চোৎখে।
মরুভূমীগী কজবা সহরগুম পুক্নিং মকা শামখ্রে॥
থমোয়গী য়াহৈ কয়াশু অন্নমক লৈরে থমোয়হুংদা লেঙখ্রে॥

অন্নু

অমমু ওইরবসু
অমমু ওইরবসু
নুংশিবী।
লেপ্পীত্রবসু কনানা ঐগীদমক তম্নরোই কাওবা শংভদি।
খিংবা তম্নরোই ঐহাক্না পুক্নিংগী নুংশি। ইহৌরকপদি।
কলেজ অকা-অকুমদা নডুংদা কম্না ইরমমনে।
আশাসে কোঙদোক্লগে থম্মুনা মংগী মনাক্তা লাকলে।
মূমদগী কম্না শাগৎতুনা অনিংবা হায়রুবনি হায়দুনা।
নডুংদা কম্না চৎলগা মরোল খোকতবা মীওম্না,

হল্লকইদো ইতোমতা রাহৈ অমা ফাওবা হায়দনা।
কাওথি মুংশি রাহৈশিংদু মুরাগী মনাক য়োবদা!
ভমজখিদে অনিংবদু ফোঙদোকপা মুজাগী চেংলো উবদা।
করি লৈরিবা থমোয়মুংদা চাকচবা নত্তনা ঐঙোন্দা॥।
নিন্দা তৌজৈ ইতোমতবু ঐগী পাংত্রবা থমোয়না!
মুজাগী নীংথিবনা শুক্ষৎপনা ভমখিদে ইকাইবনা কপখিদুনা
ভমজত্রেকো ঐতদি মুংশিবী নঙোন্দা পাউদমজবা মুংশিনা!
মহি লাংথোক্লকপগুম অসুম মৈনাক্তা ঘী থম্বদা।
করিসু কায়খিত্রে ঐগী মুংশিবা অসি নঙোন্দা॥

অইংবা নিংথমথা চংলকই কালেন থা লোইখিদুনা
ফাওরকই অইংবা হকচাংদা অশাবা মতম লোইখিবনা॥
রাকচিংগী উলেন লাকপদা নাকেন-থানা ওইবনা,
মতোমত লেম্নগুম পাম্বনা উনা রানা য়াওদনা,
ঐগী থমোয় আশাসু ঐত মঙায়রে ঈংনা॥
লৈখিত্রে পাম্বাগী অনৌব' য়েন্নি হুল্লকপা চোংলকপগুম
অনেম্বা তারবনি অরেম্বা উৎতা ঘী হৈবগ॥
ঐগী রাথল পুন্নিং থমোয় অ'শা পুম্নমক!
লমলকী নীংথিরবা লৈরাংগুম যেংবানবা লৈতনা মতোমতক॥

কলেজদা—

ফমলে অদুমঙাই ক্লাসতা হায়কেৎ লৈনা য়েংঙকই,
হায়কেৎসু মোমোন তৌ মিৎচি তেম্না কাপ্লকপা॥
অমুকস্ন হেক লুকথ নংনা শায়বা লীজাদো!
মিরাংদা থুরবা মিগুম, থোংফম লেঙবা ভমত্রেদো।
কঙাওনৈ, কাওবা য়াদে নংগী মুংশি মিৎলৈদো!
কমলরুমদা চংত্রে নংমুত চেপথ চেপথ য়েংজৈদো।
নংবু উনবা হায়দুনা অতোপ্পদা চৎত্রে অদুমঙাই!

কমলকুমগী মমাংদা—

শংবানবা নাপীথক, পুন্নাগী নাকলদা, নতারোইশিংগা লোয়ননা।
হুংশি য়ারী কয়াশা কমবদো মুরা নংনা !!
য়ারীগী মরক মরক্তা য়েংলকই হায়রেৎ লৈনা।
পাম্নরে থমোয়দা থুম্না মংগী মিংচিগী তেনহুনা ॥
ময়ুংনা শাংলবা মরাক্তা পিকলবা পুত্রিমি নীংথিবা।
থরো অশংবনা কয়াদা ককনা থম্না হৌরিবা।
মনানা পাকতক-পাকতক শংতক-শংতক লৈরিবা !!
নমবদা কয়াদি হুংশিহল্লে ফুগাইনা শাংপা থরোনা।
কয়াদি ফজবা রি-রি হুম্বনা তংবা মালংবনা !!
অশাংপা অশংবা থরোনা লেংলি হাইনা হুমনা।
মুংশিহল্লি থমোয়দা শোক্না মুংশিবা লৈনমগা লোয়ননা ॥

মনিং থংবা নাকল—

তোংতক তোবা মকম অমদা ইমাম্বা লোয়ননা,
হুরা নংদি উদবরা? অয়া পাউদমনবদো শোক্না ॥
ঐনা চিংনা-চিংনা য়েংথি নংগী হুংশি মাইকৈদা।
নংন্থু লোননা য়েংলকখি মুংশি মিয়েংনা ঐতোন্দা !!
ঐখোয় নিগী অয়োমবা মিয়েংনা তাথি পুথি ঈয়ায়দা ॥

কনা খঙহৌদে।

কনা উহৌদে !! অয়োনবা মিৎচিগী তেনকাপ।
বাথল থম-থম্না ঐনা তাংজা লুক্কনা।
লোম্না হায়কেং য়েংজেদো অমুকম্থু নংবু মুংশিনা !!
লৈরোং হৎপা বিগোকী থাউনা মাংদা থমই।
করিগুম্বদনা ইম্নিবা ফিতুগী কিডিদা য়ানা চিকই ॥
কাওবা ঙমদনবা মুংশিনা তাংজ লুক্কপা য়েংলকই।
ও,—পুবা ঙমদেয়ে!

ঐগী থমোয়সে ॥ কাওগে থনবসু ঙমদে।
নংগী রাখল থনবদা সুংশিবনা কঙাওনরবা ঐহাক্তি।
মুম্না য়েংদুনা লৈ মফম অমদা লেপকনি ॥
মসিবু উবদা—
কনানা লক্লরকই।
কনানা হায়রকই ॥

অঙাওবা,
অঙাওবা ॥

চায়বা কনাগুম্বা ইমায়বা ঐবু সুংশিবা থরনা।
লক্লরকই, হায়রকই ঐবু মিংগী মিংথোল অসুম্বা ॥
'কবি"
'কবি"
করিগুম্বদনা লৈতুমনা।
করিগুম্বদনা সুংমচানা।
থাদুনা মঙফাওনহল্লি ঐহাকপু সুংশিবা পুক্লিংগী মিয়েংনা ॥
কৌদুনা অসুম্বা।
'অঙাওবা কবি"।
ইতোমতা পুক্লিংদা থনজরকই জ্ঞান তারকপদা য়াথম্বা।
সুংশিবা অঙকপনি।
নংবু সুংশিবগী মহৈদি লৈতেংলে মিংথোল কয়ানা।
চুম্বা য়েংবদদি ঐসে খল্লিনি অঙাওবনি হায়না ॥
তশেংবদি মচু নত্তে, পূবীবনি নংগী রাখম্বা।
লৈতাদরবা পুক্লিংনি ঐগী ঙাওরবা নংগী মৈচাক্লা।
করিগীসু ঙাওরোই।—
নংগী সুংশি মরোচাম লৈবী মীনোক্তি।
ঐগী থমোয় চুখিবা নংগী লৌনম মিয়েংনি ॥

কয়াগী মতিক কনবনো মুংশিবা নংগী ময়ানা।
পুনখিদো ঐগী থমোয় নংগী মুংশি থৌরিনা॥

লেঙবা ঙমজদ্রেনে!—

পুরিং থমোয় নংগী মুংশি লিচিং রাংমদা!
অহৈবা বিজ্ঞান, মন্ত্র কানখিদ্রে পুম্নমক মুংশিবদা॥

নোংমা মঙলান্দা—

নংবু মুংশিজবা, শোনজবা পামজবা তাইবংদত নত্তনা,
উরেদো মঙলান্দসু কয়া লোয়ননা তয়াং-তশোয়না॥
কবি তৌরুনি থমোয়বু পেলহনবা ঙমদ্রবা ঐনা!
মুংশি ঈথক ঈরোইননা কাজিনজে থমোয়বু ঐহাক্না॥

নোংমসু—

চৎমিয়ন্সী নংগা থাগ্নবা লমদম অমদা!
শুল্লবা উমংগী মচুংদা পিক্লবা লম্বী অমদা॥
অচৌবা উশিংগা মরক্তা পেকনা-খোইংগা চৎপনি!
পুরিংদা চকিবা ফাওনবা থেংনবা অহিংগী মতমনি॥

মতমচুদা—

ঐখোয়নিগী ইচে য়েংলিক্রেমাক্তে ভানদা থাবদো নী থিনা
খুমজিনখ্রে থাজ মাংখোংদো অমুবা লোংগী মপেনা॥
শরা ভান্দগী মমশিংদা অনিবা যংগা অমম্না!
থোকপা অহু মঙাইদে ধরানিচাক মুশি মুশিনা॥

নাক-রেত্তা—

উখিদ্রে করি অমত্তা চংলিব লম্বা অচুদা!
অমম্ব শরুক নরুনা অমুবা কৈচিল্লা খুন্নদা॥
তাখিদ্রে তাইবং কনাগী থোঙ্গেল লৈখিদ্রে নিলখোংবা।
তাখিদ্রে মকমচুদা অচিকপা তুনা, কমা, কৌবা॥

চৎলি—

নংগী য়েৎথংবা খুৎ ঐগী ওইবংবা খুৎনা শমদুনা
চৎমিন্নৈ মতমদুদা নংগী ঐগা চেজ্জেৎনা পায়দুনা ॥
মকম অদু লাম্বোক্লবা তুং-মাং হন্না য়েং-য়েংদুনা
করিগুম্বদা ঊশা অকংবা তারকপদা ঊবত্তদগী তেক্লুনা ॥

নারক্তা—

শোং-পেক খোঙ্জেল থোকপদা অশোংবা নারক-মোংলোংদা।
করিগুম্বদা শা-উচেক খোংলকপা তংলকপা তাবদা ॥

নংনা কিরদুনা—

খোৎলবা হকচাংনা নংগী চেজ্জেৎ কোনশিনখি ঐতোন্দা।
ঐস্থ নং কিরমান্নে হায়দুনা কোনশিনখি নংতোন্দা ॥

অমুক্তা চেৎনা। অমুকসু চেজ্জেৎনা!

মতমদুদা রায়দুনা নহাক্লা তুংশা মপী থোরখিবা।
থবাকী মিহুন তিং-তিং চোংনা পাখৎখিবা ॥

থোঙথাংবা থোকখিদে- থমোয়দা নিকখি!

মিকুপ খরা মফমদুদা নংগা ঐগা পুন্না!
জ্ঞান তারকপদা ঐতোন্দগী লাপথোকখি ইকাইদুনা নহারা ॥

অদুবু—

ভহাক নৈরগা চৎমিন্নৈ তুংশি য়ারী শাদুনা।
লিনখি য়ারী য়াতাই করাদো পুক্লিং পেন্না ॥

মতমদুদা ঐতোন্দা -

কাওখিদে ভকিবা করিমত্তা নংগী থুজ্জেং পায়রিতৈ।
পোকখিদে পুক্লিংদা তুজুংবা চিক্লা তুংশি পাউমেয়রিতৈ ॥
অহিং তংথায় চংলকপা ঙমখিদে উমংদো লাম্বোকপা।
ভাংলো নৈনা খেংতিন্নকই নোংমাই চবুক হেন্নকপা ॥
মতম হেনখিনি মতাগুম নংগী ঐগী অবাবা।

থক্তা খোকপা থরানমিচাকশিং মমিংনা ঊঙ্গিৎ তৌনখিবা।
ভগুম্না ডাল্লকপা নহুনা উখিদ্রে অমত্তা অচানবা।
অরাবনি মতমদো নংগী ঐগী চেনবা য়াম্রবা॥
অমুম্না থরা চৎলগা উমংগী ময়াম্ব য়েৌংকপা।
য়ারবদা পুক্লিং থেংনরে মকম থরা অকোকপা॥
লাপ্পা চত্রিবা নহাক্তি নপোকতংগী অমুক্তা থাম্না
অমুক শাংনা লাক্লবসিদা য়ারম্মাদে নহাক তশেংনা॥

অনৌরবী নহাক্তা

ভগ্না ভগ্না হায়রকপা খোঙ্গেল ভগ্নবা খোঙ্গাংনা।
হকচাং অসি ঐগী য়াম্না য়াম্রে চোকথবনা॥

খোঙ থাংবা খোকত্রে—

পোংথাখিসিবা মিকুপ অমত্তা মকম অসিদা অহাংবা।
অসি হায়দুনা ঐখোয়নি মাই-মাই ওনশিন্ন কমথবা।
অমম্বনা কুপত্রে অভিয়া অসি পুমম-মমত্রে।
অমুবা নোংগী মপৈনা শিন থুংনা লৈত্রে॥

মিকুপ থরগী মমুংদা—

তারকলে অকিবা কংলগা থাক-লাওবগী খোঙ্গেল।
মরক-মরক্তা নোংখাংন ডাল্লকই থংডাল থংডাগ॥
অমম্বা মকম অরাম্বা ইডাগ ডাল্লবা উট।
নোংনা পুরক হাংদনা শাকু কম্না চুরকই॥

ঐখোয়নি চোৎপা তারবদা—

তানজা অহুমক্তা নোংথাং কুম্প্লুনা উরে অনকপদা,
অপিকপা থাংপোক অমা, পম্বনা চংশিল্লে মমুংদা।
নোংম অরেম্মা লৈতনা অমুম অহোইননা চুরকই।
য়া-য়া লাওবা নিল-খোংবা খোঙ্গেলতমক মতাই।
য়ারী শাবা অমনা ডাংবা অমনা তানখিদে।

মশা মতোমতা ঙাংজবা মশা মথন্তা তাজরে !!
অকিবগী মশক্কি অসুক্কী মতিক্কি কম্মা তাগ্রে।
অশংবা উহৈ কম্মাসু থাংবা ঙমদ... কেনগ্রে ॥

লাইগী নোংদমদগী থাংপোকতুদি—
নোং য়ুদি মুরনদে গুপ্পা য়াই নীংথিনা !
মসুংদা চরু খরা নৈরম্মী ইচাং-চাইনা !!
ইখা-খাজিমি চেকশিন্না ম'ইকৈ অহুম শিং উৎনা।
য়াইদি নৈতে, অহোবদা চংনকহ শিংনকপদা সুংশিংনা !!
অইংবদি ফাওই চোংলি-.চাংলি ক্তৌবদুদা নোংনা !
ফাওরকই হকচাংদা ঈংতক-ঈংতক নিক্কা-নিক্কা।

নোংগা তারকপনে—
অহাংবা থাংপোক অ গা ফংবদে থেংনকপনে অহিংনগা !

অহিংদুমা মফমদুদা—
মোংঙামবা ঙাইনবা, লেকপা, হম্নরে, নংগা ঐগা।

অদুদগী—
নৈরমলিবা থাংপোক মসুংদা চরু খরা অদুনা ?
পিকতক্কা তুমফম অমা শেমলে, কাশন-খোমজিন্দুনা।
অহিংদুমা লেনবা য়ানবা থাংপো ক্লগী মসুংদা সুংঙাইনা।
ঙহাক য়াগী শারে চরুৎক্তা ঐখোয়নি ফ...না !!
লম শাং চৎপগী য়ারবা চোকথরবা নংগী হকচাংনা !
তুথরক্লে ঐগী তম্পাক্তা পমলে নংবু ঐনা ॥
ঐগী তম্পাকথক্তগী লেকথিবা নংগী নীংথিবা ঙকতুনা।
মুম্মা মেংথি ঐহাক্কা মংবু সুক্লিং খোম্নদানা ॥
নিক্লই মমক মরক্তা য়ারবা নংগী হকচাংনা।

নিক্লকপদা—
ঐনা নংবু মুংশিনা তপ্না তপ্না কোননংলি!!

লুম্বা—

ইংথল্লমাল্লে খন্দুনা ঐস্সু নংবু চেজেৎ কোনশিল্লি !!

ঐনা কোনশিনবদা নংস্সু নমিৎ খংপাং পাংথোক্লকই !

নিংঙাইদনা নহাক্তী অমুক তপ্না তপ্না উইথরকই !!

অহিং চুপ্পা—

ঐদি তুমখিদে মিশেল খাংখি নংবু শঙবদা !

নোং হাংলকপা—

কম্না তারম্বদগী নোং পুং অমরোমগী মতুংদা।

নোং হাংগ্রে, নোং তাখিগ্রে, অতিয়া শেংলকপদা ॥

থোবানমিচাক খরা মুশি-মুশি থোকপা উরকলে।

শক উৎলকতুনা থাজস্সু নোংচুপ মাইকৈ তম্লকলে ॥

থঙলে। মতমদো থেঙলে।

অপাইবা নোং মপৈ অমগী মরুমদগী তরুনা,

লৈথোক্লক্লে থাজস্সু. পিরক্লে মঙাল তাইবংদা তনিক্লা !!

থাজগী মশেক্লা—

নোং হাংখিবগী—

উনা থক্তা পকপা ঈশিং মরিকশিংদা য়েবদা,

উরিদো ইরং-লংনা নামিবনা মি-রি হুম্লকপদা।

তনিক-তনিক্লা—

ইরং-লংনা কঙহল্লি উনা রানাশিংনা লেঙবদা।

থাবলগী মশেক্লা কাওজিল্লকই চংলকই থাংপোকতুগী মমুংদা

নংদি তুমলিদো—

মতমচুদা ইশি-শিনা।

থাবলগী মঙালনা ঙান্নে নংগী ঙৌরুনবা মায়থোংচুদা।

নাপ্লদগী শমলাং খরস্সু হায়জিল্লকই নংগী লাইবক্তুদা ॥

নংগী তঙাং-তঙাংলবা চিমবান্দো লেংলকই তপ্না।

উরেদো থাজগী মঙালদা নিংথাইদবী নংবু ঐনা ॥
ওস্থোক্লা চাকহল্লি ঐঙোন্দা মতমগী শকওং কিস্তমদো ।
হন্না-হন্না য়েংনিংলি সুংশি নংগী মায়থোংদো ॥

নংদি অশিবগুম—

তুমদুনা লৈখিবা—

ঐগী মিৎ অনিসিনা মুন্না য়েংদুনা লৈখিবা ।
নংগী ঙৌকনবা মায়থোংদুদা নংগী তঙাং-তঙাংলবা ॥
চোন-জোনবা খজাই অনিদুদা তয়াল মাললবা ।
ঐগী খুৎ অনিসিনা তপ্পা তপ্পা নানখিবা ।
ঐগী চিন অসিনা নংগী চিনবান্দুদা তবাবা ।

ঙমজদে কাওবা ।
ঙমজদে খঙ্গদবা ॥
ঙমজদে নিংশিংদবা ॥

অদুগুম্বা মঙলানগী সুমিংতুগী থমোয় চাকপা মওংদো ॥

মঙলান্দুগী নোঙাল্লকপদা—

মান্না থাগা চৎলমলে মী-পোং উখিদ্রে ।
ভয়ে মকমদো তাইবং কনাগী খোঙেল তাখিদ্রে ।
অচিকপা মকমদো চিক্লা অচিকপা ঙাক্লা ঙাইদ্রে ।
অকনবা অহিংগী নোংজুদা উশা কয়া তেকদ্রে ॥
তেকতুনা তারকই উশা, কেল্লকহ উনা মানা ।
ভজাও পাম্বা কয়া লৈরি লেমাইথক্তা তুহুনা ॥
উহৈ পানব পাম্বীদগী কমকপা মহৈ কয়ানা ।
কনানসু চাবিদ-থংবিদনা লৈবি মখোংদা তাহনা ॥
লৈরি অরেম্বদা কান্নদনা লমগী উহৈ তাদুনা ।
খঙবীদে খাঙ্খক্তা মাঙথিবা হেজিং কাদবা কোন্নায়সু ।
খল্লুদে কনানা নিংশিংবীদে মখোক লোয়বা কয়াসু ॥

ও তাম্বনিনেসে অরেম্বা !

মনা লেকথরবা পাম্বাশিং থেংবদা অযুক্তী হুংশিন্দনা ।
হুন্দ্রদা শামবদা হাকথেংনবা হৈনিংব লোকত্রে মশানা ॥
চোংঙলবা শা উচেক্ম মতু ইপোন পোম্বা ।
ইরেক-লেকথরে পাম্বীশং মৈবদা অযুক্তা থুমিন্দনা ॥

অহিংহুগা লোংজুদো,
ওন্হোক্লদি কমথে্রদা !
ওন্হোক্লদি তমাথথে্রদা !!

ফনংগী শাংউচেক অযাম্বা ফুংক ফুথাই চনত্রে ।
চোংলবা মচুনা নপাশিনবদা থেংবদা মতান-থইনা তোত্রে !

অযুক ওইরল্ল-থহুদাদ—

অর বা মতালগা লোয়ননা কোংখনা লোংপোক্লা থোরকপদা
শনাগী মচুনা লেতেংথ্রে শংবালবা অতিয়া মকোয়দা ॥
অযুক্তী লৈরা তাকাজত্তে পকলিত্তে পামেনগা ফনাদা,
হজ্বং-লংনা ফথকহ হুমিংকী মতালনা মৈবদা ।
মণি পরেং তাবগুম হচাহ্-চাহনা লেমায়দা ॥

লৈরাংগীদমক থল্লুবা—

মালেম-লৈদা তারকপা শাত্তেল লৈমন চন্দুনা ।
লৈকা চোহবরা লৈম্বাংগী, থম্লি লৈথোংদা লেনানা ॥

থল্লুবদা—

পাম্মুইদকো—
নুংশিদকো— ।

নিংবা থুংজরবী লৈম্বাংশিংদো তাইবং লৈকোন্দা শামজবা ।
চৎলিনিদো নিংঙমজবী মহাকতো কায়না পিরাং ঈয়োয়নরবী ।
ভুয়োহ-তামলোয় চৎগিদো তুমক চারজ্রকবা হকচাংনা ।
লমদম শাংনা চংলকই ঐথোয়নিগী চোকথরবা হকচাংনা ॥

লুমিংনগা থেঙলকপা, —
লুংশানগা শাগংলকপা —

নংগী ঐগী ফিভমদো [illegible] [illegible] [illegible] ।
শাংঙমখিদে ঐগী [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] ॥

[illegible] হোৎসন্ত —

[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] ঐনা !
[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] ॥

কনাদম [illegible] —
কনানসু [illegible] —

[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] ।
ঐগী [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] ।
[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] !
[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] ।
[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]
[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] ।
[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] ॥

[illegible] [illegible] [illegible]
কাওদ্রোয়দবা খুদম্নি,, !

নীংশিংলকপদা নুংশি ঈথিল

থাসি কাওবা কৌরি লেঙঅবা ঐগী থমোয়নদি।
শোল্লি নংগী খিংলেন তপথত্রবা ঐগী পুক্নিংনদি ॥
মিতাকম ওইরকই নহাকসে নৌরিবা পুন্সিদগী হোনা।
ওইগে পুন্সিগী খোঙলোয় কনথবা আশানি পুক্নিংন ॥
থল্লি থমোয়না,
মঙোন্নদি তাক্তনা।
নংসে ঐগীনি।
ঐনা নংগীনি ॥

বা ঙাংজনিংবগুম

লাইজ ঈরোম্‌ংগী লেমলৈনা লাইজ - ঈপান কাওনা।
পুক্নিংগী আশা থরদং কোংদোক্নিংবা, পনবগুন লাইজনা ॥
ঐগী থমোয়গী আশা বাখল কনা অমত্তদা।
চমজদে কোংদোকপা, হায়দোকপা চৎনবীগী লিচিং বাংমদা ॥

অনদি—

মীমোক চাওবা সমাজগী থারবা কমক মীয়ৈংনি।
সমাজগী লাংদা কুপথবা লৈকাইগী মীনোক মৈশানি ॥
চৎনবীগী তপথত্রবা ঈচেল অথিংবা থাইবা সমাজদা।
চেনশিনকই নংগী ঐগী পন্থংনাপ্রবা পুন্সিগী চংরন্দা ॥

অন্তরা—

পুক্নিংগী থাহে অথুম্বা ঐনা কনা চুংশিনহুনা।
কোঙদোকপা চমজখিদে অনিংবদো নংগী মাপ্রদা চিন্না ॥

অন্তম ওইনমক-থল্লি থমোয়নদি ঐগী ॥
নংসে ঐগীনি।
ঐনা নংগীনি ॥

খাখিদো ঐখোয়নিগী মরক্তা শলাইগী চেকপন্ অমনা ।
চেৎশিন্নকদবা য়াইদো অহলশিংনা চৎমগী পনবু নমঙ্গেনা ।
য়াংলবা সমাজগী পনখৈ মরক্তা লৈরিবা য়াংনা ।

উনরবা ফাওবা—

কোৎলোকপা ওইঁথদবা ঐহাক্কি বাইঁ অমত্তংদো থদোক্লুগী ।
চেলো হেনবা শক্তমদে খোংচনিংবদি পেম্না ঐগী ॥

অহুগনে—

ঐনা নংবু মুংশিন্দদি হেনগংলক্কই মিকুপ থুদিংগী ।
কোৎদোক্তবস্ত মপাওোংদা অরাবা থমোয়মা কেওৎরবনি ঐগী ।
শিরাংনা মিৎপু চোৎকররবসু য়ারমলেংই মুংশিরমলেংই থম্মুনকো ।
থরাম্মশোক্লা পাউদমদে বায়থু-। থমোয় শোক্তে মিংশুমুকো ॥
মুংশিবা নংগী নকাদা কবিগুপা কোৎদোক্লয়বদি ওলেংমা ।
মুংশিবগী শক্তম অমত শিবা ওয়রবদি ঐনা ॥

থরদংত ওইরবসু—

হয়রমগদবনি অরাবগী চাংসে ঐগী পুক্লিংগী অরাবা ।
লৈরাংগী অনৌবা লৈমানা শমদবগুম মৈশাদা থাংবা ।

মপান থোকওমদনা—

ঐগী পুক্লিংগী মশা লৈখি অসুম থমোয়সুমশাগ
করম্না কাউগনি নংবু ঐগী ওৎমখু পুন্সিসিদা ॥

কমানা থওবীত্রবসু—

ঐগী থমোয়গী মুংশিবা কাওত্রবসু নংগী থমোয়দা ।
মুংশিবগী ঊখিল ঈরেপ্রোং, কুমিস্থ কায়েদ ঐখোন্দা ॥

অহুম ওইনমক—

মুংশিবগী ঈফং অনদি চেৎরি অরেম্বা লৈতনুবু
থুপ্পবা থমোয়গী কাচিন্দা কমানা থগুবা ওৎমকনা ॥
কমাদমু তম্মোই

কমাওদগী হায়দুনোই।
ঐগী পুন্সিগী
নুংশিবগী অমাপা।
ঐগী পুন্সিনা লৈবিহৈ কাওগদি মংনু কয়াগা।
থমজয়োই থমোয় কনবীদি নুংশিবিবয়থবয় ঐখু অশেংবা॥

পুন্সিং কাজিপুনা—
নিংজয়োই নুংশি হৈজবীদি নুংশিগদি লেমা-লেমা।
থমবীবথবথনু মথন যাবা মংগী থমোয় অহানা॥

থমজগদি—
মংলে ঐগীদি।
ঐনা মংগীদি॥

লৈকোম অমদা—
মথল কয়াগী লৈমাং মথল মথেল শাৎপদি।
মতমগী পোইবৈ ইন্দুনা লৈমাং লৈশাং তারকপদি॥

মথলে—
লেঙনরোই যাওনা থমবা ঐগী থবোয়গী লৈমাংদি।
শানথিবরকপদো মংগা ঐনা লৈকাই থমগী লৈকোম্বদি॥
লোইনবকই পিকলিহৈদগী মংগা থোথিন কাদিময়কই ঐগা।
থরকই মতমনুদগী হৌনা লোয়নদা লেংখবা থাগাগা॥
মংলে ঐগীদি।
ঐনা মংগীদি।
মংগা ঐগা শানথিনবা থবাং-কৈরোই তারবা।
মংনু ঐগা লৈগদি চিংনদা অসুম হায়থিবা॥
নুংতাইবকপা কয়াদা।
অতাং ওইবিহৈবা॥
শানথিনবি মংগা ঐগা থোথিবা চহি কয়াদা।

অঙাং ওইরিঙৈ পুন্সি কম্ব্ কপনিংই থম্নুবা।
মুংঙাইবা মমাম হৌখিবা অমুক হমা লাক্লরোই।
হৌখিবা অঙাংগী পুন্সি অমুক-হমা কংলরোই॥
অমুক কয়া।
মুংখিল কয়া॥
মুংঙাইবা অঙাংগী মতমদো নংগ' লোয়ননা শায়মিনখি।
নংনা ঐঙোন্দা ওইনখিবদো নংবু থোইনা মুংশিখি।

৩-কল্লকইদা হৌখিবা—

কংলরোইদো তেম্বা পুন্সিসিদা।
কৈথেল কাংবী শায়বা। — …
কৈথেল কাবা চৎপদো নংনা মমা শাহুনা।
নাপী মিংনাগী মনাওশিং লুবাক মথুমদা পুহুনা
শায়বগী য়োম্বা।
পিকলিবী মপীওচা নহাক্লা কনেক থবাক লাকনা।
থাংজেৎ মচৌ লাংখিবা কোক্তা কোকথেৎ য়েৎহুনা॥
অহনগী কিজম শাখিবা।…
লবাইগী কোইয়েল থকুদা নংনা য়ানা পুখিবা।
ঐনা মচা শাহুনা নংঙোন্দা কয়া ওইনখিবা॥
নংনা মচাগুম থমখিবা।
থল্লুবদা ওহোক্লা য়াওলি নিংশিংবদা কম্ব্ কপনিংই।
অচম্বা তিময়গী মুংঙাইবা মঙল-মঙল থম্লকই॥
পিক্লিঙৈগী চায়বগী মওং থল্লুবদা নিংঙমদে হৌখিবা।
অঙাং ওইবগী য়াবী নংগা ঐগা শায়মিন্নবা॥
চৎমিন্নখি নংগা পুন্না শাখি নংগী নাপ্পদা!
অচম্বা পুক্লিংগী য়াহৈ অচম্বা থমোয়না মংঙোন্দা।
লিখিবা কয়ানি!

খল্লুবদা থমোয় পুৎমদে।
অঙাং ওইবগী পুন্সিদো॥

কয়াদি নুংঙাইখ্রবা—

কয়াদা নুনা থমখ্রবা নংগী লাইবি লুবাক॥
ঐগীনা নংঙোন্দগী হেনক্রবা ঐগী লাইধি লুবাক॥
শোক্লবদা কয়া শাউনখ্রবা।
মখল-মথেল মাইনা কয়াদা ফঙনা থমখ্রবা।
লমথাং ইনকি শুনা কঙ্কেৎ লৈতেং শাম্নবা॥
থৈজোম, কোইয়েৎ য়াওনা নুংঙাইরবা লাংধিবীগী শাম্নবা।
ফদি-ফরাগী ফজরবা মোনজেক-নোম্লুমজনা থল্লবা॥

নংগী লুবাক।
ঐগী লুবাক॥

কয়াদা নুংঙাইখ্রবা মতমজুদা পুম্না শান্নমিন্নবদো ঐখোয়না
অসুম খল্লু-খল্লুরগা ঙাওহল্লেনে ঐবু নিংশিংবনা॥
ঐগী থমোয় রাখলসে রাখল চামা খোক্লক্লে।
থাজবা মওং কয়ানা আশা কয়া লোঙক্লে॥

নংসে—

মতম অমগী মা লোয়নবী অদুগা হৌজিক্কীনা লমলানবী।
কনাদসু হায়দোকতে ঐমা পুক্লিংনদি কাওঙদেদো চায়বী।

নংসে ঐগী নি।
ঐনা নংগী নি॥

ঐখোয় অনিগী শাম্নবা তশেংবা লাইধিবীগী লুহোংবা।
কয়াদা নুংঙাইখ্রবা মশায় অরোনবা য়ুম্বালোনগী থমথেংবা
অঙাং ওইবগী মশায় খল্লুবদা কয়াদা নুংশিখ্রবা।
নংগী ঐগী শাম্নবা লুহোংবগীহায়বা চৎনবা।

য়ানবা—

নংনা মুপীগী কাংবুদা নংনা মমা শা।
ঐনা নিপাগী কাংজুপতা ঐনা মপা শা॥
ঙাংনখিবা য়াঙাংদো।
মুংশিদকো খল্লুবদা॥

ঐনা মপা শাদুনা—

নঙোন্দা চিংনা য়েংলগা হায়খিবদো নোকফেং তৌনা।
ইবেম্মা। নংগী মচামুপীসে চানবীদুনা পীবিয়ুবা ইবেম্মনা।
ঐগী ইমৌ ওইরগে ঐগী ইচাদা পীরোবা।
ঐগী য়াসি তাবদা হায়রকপদো নহাক্না অশেংব্য॥

মমা শাবী মহাক্না—

হায়ফেং য়াথল তৌরগা চিংনা-লেমমা হায়রকপদো।
তাদা ঐগী ইচাসে কনিও খঙজবিবী পঙলিবীনিদো॥
কয়াবু জুগোং চাদেদা।

পুখোক্তুননা য়েংহল্লি—

লুবাক মমুংদগী লাইখিবী অমা।
য়াহৈ থরা হায়নরগা অসুম্না পিনবদা তানরে।
মহৈ-মহৈ হরাওনরে মোমোন-মোমে'ন তৌনরে॥
লুহোংবগী মুমিৎ লেপ্পরে অকবা মুমিৎ থরবে।
মঙানি পানবদা হোংশি কুপী মমাগা য়ায়রে।।

অরেপ্পা অমা থঙনরে।

য়ারোইপোৎ হৈজিং-কয়াই চংনবী পুন্নমক লোইখ্রে।
লুহোংবগী মমা শাবীনা পোৎলুম শুনা লাংখ্রে॥
মচাগী উন্নবা হায়দুনা মখল-মথেল থমখ্রে।
লাংব' য়াবা পোৎলম কয়াসু শুনা য়াওখ্রে।

মমল য়ায়বা—

ফমুং কাংখোল, উপু, য়ুম্বানবগী চংদব য়াদবা।

কোললিক, নুংথম, তেঙ্গোৎ, ফজরবা লৈবাক্না শাবা ॥
থুম্বাই, তুকনা, চাইশেন, চেংফু, ঙালুবাক য়াওরম্মী।
কোরফু, কোরকান, নুংতেঙ্গোৎ মচাগীদমক লাংলুনা থম্মী
অরেং, য়োংখম লোইনা য়াওই।
মচাগী ইমবা ফি-রোল মথল নাইনা থম্মী।
মমল য়ামলবা ফীজেৎ ফজগ্রবা কয়াদো য়েংলম্মী॥
মোইরাংফি চনবা ইনফী মরোল-মরোল থমলিবা।
ফি মতেক মরাংনি হঙ্গাম-মপান মতেক, অঙোবা॥
থম্লি লুবাক অমা পিক।

য়েক নাইবা,

ফিগে ফনেক!

মরোল নাইনা হাপ্পী নুংশিরবী মচা নিংঙোলগীদমক।
লুহোংবা নুমিৎ অত্তুদা থেন্দুনা থম্মী উনন্নবগীদমক।
মাঙ্গোনগী কাচিন্দা।
নুংঙাইগ্রবা কয়াদা।
শান্নবগী লাইধিবীগী লুহোংবা॥

লুহোংবা হয়েংনি—

বর বার্তোন লাকই ঙসিগুম্বদা নুপী ময়ুমনা।
ঐগী লুবাকনুংগী বরদো থম্মী গিদাদা লোথোক্লুনা॥

লুহোংবা নুমিৎ—

অয়ুক্কগী হৌনা থোংই লুহোংলগনি হায়বা শন্দোকই।
ফজরবা ঙাম্বগী মাইক মাইকৈ মন্নিমক্তা য়ুংই॥

পুমনিল নিল্লি মাঙ্গোল কাচিন'!

উরিগী শাংলবা রাইয়ার লৈবাক্কী রেকোড থোংই।
শকই চিনগী ঈশৈ পুন্নমক ঈরাং লাংই।

লৈ থিবা—

লৈ থিবা চৎলি য়েন্দাই পায়রুনা নংনা।
হেকলুই অশাৎপা কুন্দো থিরক য়েন্দাই থনা !!

অশাৎপা লৈরাং কয়া—

সনারৈ, কুন্দো, তথেল্লৈ হেকলুই লৈয়াং শুনা!
মোত্তিয়া, মালিকা, পারিজাৎ, লাংই মথল শুনা!

লেংই—

অচৌবা কুন্দো লৈরাং, পরেং অনি থোকনা।
চাইনবা অচোইবা লৈরাং থল্লুই অয়ুক ইবানিনা!!

অকেনবা বোকুল লৈরাং—

হৌরিবা পাম্বীদি অচৌবা নথোয়গী হোজং ময়াদা।
কেল্লকপা বোকুল লৈরাংনা পুমভো ভৌই লৈমাইদা!!
ফজে অয়ুক অঙনবদা বোকুন পাম্বীগী অংকোংবদা!
লৈমন চনবা লৈরাংনা ইচাই-চাংনা লৈমাইদা॥

শান্নবগী লুহোংবগীদমক—

অকেনবা বোকুল লৈরাংদো মাগী মতমদি লোয়রবা।
খুনমিন্নৈ নংগা ঐগা খোমজিনমিন্নৈ য়েন্দাই থমবা!
অচম্বা পুক্নিংগী রাখল তমহুদা করাদা সুংভাইথ্রবা।
লাকমিন্নৈ নংনা ঐগা, লোইরবদা লৈ-শু থিবা!!

ঐথোয়গী শানফম,
মাঙ্গোলগী কাচিন্দা
শেমলৈ পুন্নমক,
লুহোংবগী থৌরাং!

ও. সুংভাইদকো অংাং ওইরিবৈ অমুক হন্না কংলয়োইদকো
ঐগী ভেলবা পুন্সিসিদা হৌগ্রবা মতমদো পাম্মুইদকো॥

ও, ওম্থোক্লদি থমোয় শোকইগকো।
হৌথিবা পুন্সি থল্লুবদা।

পুর্ণিমাগী নীংথিবা থাজ ঈয়ারগী ফজবা থয়োশিং।
কল্লকইদা থল্লুবদা পুক্নিংদা নিংশিংলকই মমাংগী থৌদোকশিং !!
মতম য়ৌরবদা লুহোংবগী পুম্নমক ঈরাং-লাংই।
মুপী ময়ুম পাংলহুনা বর যাত্র তৌরকই !!
কোইরেং য়েৎলবা ঐগী লাইথিবা—
লোথোক্লুনা লাইথি লুবাকমুংদগী তোংহল্লি উগী গাড়ীদা।
উগী অচিংবী গাড়ী থরনা চিংই মমাংলোমদা !!
মরি শাংনা পাল্লবা—
নিল্লি পুম্নমক ঈনিল।
চিনগী যেন্দ, মাইক, খোংই অরেম্বা লৈত্তনা।
অঙাং ওইরিঙৈগী শামবা কয়াদা নুংঙাইথিবা ইবানিনা !!
উরকই—
ঐগী পুক্নিংগী মিত্তা অস্থুম পুম্নমক নিংশিংপুরগা !
মথং মথং অমমম অন্থুম কুইর-কুইরগা !!
মুপী ময়ুমদা—
মুপী ময়ুম য়োম্লুনা দেহুটিনচিংবা পুম্নমক লোম্নহল্লে।
বরগী ফমফম অদুদা বরহু চংহুনা ফমহল্লে।
কৈনু্যা অহু—
লাইবিগী কৈন্যা অহু পোংলোই শেংপা লোইগ্রে।
ইল্লি অপাবা চাংগ্রংভাবী কোক্তা কুয়াক পাইগ্রে !!
বরস্থু—
বর ফান্দা ফমহল্লে লোইনা গুনা লৈতেংলে!
কৈন্যাস্থু থুংশমনা পুথোক্লক্লে য়েৎকা ওইগা ফমহল্লে।
কুরুবস্থু—
থুং-লোম্নহংনা পুম্নে লৈ যৌয়বা ছোগ্রে!
অচোইবা য়েন্দাইদগী লৈরাংশিং কয়াদা ফজনা চাঈগ্রে !!

বরগী কোইয়েংথক্ত চাংথরে লৈরাং খুজোক-খুজোক।
কমমিয়রে অমুক হরা লোইরবদা কোইবা অরেংলক ॥
বর কৈন্যা অনিদো।

কৈন্যানা—
বরগী ওকশমদা হকলে কুন্দো পয়েং অনি।
ওোরোক ওোবা কময়বা ভাবোক্লা ওক্লা য়েংনবনি ॥

অমা লৌথোক্তুনা—
বরগী ওকশম অতুদগী হকগে অমুক কৈন্যাদা।
চংমিয়রে বরগা কৈন্যাগা তুংথ-মাংথ ইমুংদা ॥

ফজি কিশিন্নচুনা,
কাংশুবী চাবা।
ক্কা লান্নবা।
লোইরবদা ইমুংগী থৌ থোয়ক্লে বয়দো মপান্দা।
বর শেম্নবনা পুশিন্দুনা খুরুমহল্লে শাগেগী অহলশিংদা ॥

বরনা ফজৈ;
কৈন্যানা ফজৈ,
শোন্নহৌই ভাবোক্লা।
ঙাংনহৌই মীয়াম্না ॥
লুহোংবা লোইরব · শিপা যুমদা কৈন্যাদো থিং .ক দোলাইদা।
মতমদুদা কয়াদা াাং । মংগা ঐগা শান্নবদো ॥

. কৈন্যা থিল্লক্লবদা—
কোন্দুনা পুশিল্লে মনেমশাবীনা লিপা মযুম য়োরক
কয়াদা চান্নথবা ংথোয়নি কযাদা মুংশিনগ্রবা মতম৳

অউনপোৎ—
অওং-অউন পুন্নমক থুংলয়ে পৈরগে শুমাংদা।
উপু, কাংথোল, অউনপোৎনা পিক থল্লে মীমাংদা ॥

লুবাকমুংগী য়ুমচুদা—

থারে কদি-করাগী হাথলগী কমুং কাংথোল।

লৈতেংলে নীংখিবা মচুগী কাঞেৎ মখল-মখেল॥

ঐগী লাইথিবী,

নংগা লাইথিবী,

পুন্না থমলে লুবাকচুংদা বর কৈন্যা অনিদো।

থাৱিবা কমুং অচুদা হিপহল্লে লাইথি অনিদো॥

কাংথল থারে—

কৈজুপ চিংখৎতুনা সুম্নীরে মৈ হুম্না মুখংলে।

ঐখোয়নিগী শাম্নবা লোইরকপদা লুবাক মখুম খুমজিল্লে॥

অচুদগী—

থাংতুনা পুশিল্লে ইমুংদা থমজিল্লে উপূ মখাদা।

লুহোংবগী মঙানি চাকৌবা লোইথি মিকুপকী শাম্নবদা॥

কনানা থঙবীগনি।

কনানা উবীগনি॥

ঐগী পুন্নিংগী অরাবা চান্নিবা মৈচাকসে থমোয়চুংদা।

থঙনা-থঙনা থাদোকথি উনা-উনা তামথিদা॥

নংগী ঐগী পুন্সিগী হোৎথিবা সুংশি রান্নিদো।

কাওগে থল্লি কাওঙমদে হেনগৎলকই সুংশিবগী চাংদো॥

নোংজুথাগী নুমিদাংবাইরম অমদা—

থুপথিবা নোং তারক্লুনা নখোয়গী হোজং ময়াদা।

লেগু‌্না য়েংথি চিংনা নংনা শঙোই ময়াদা॥

য়তমচুদদি ঐখোয় অনি লৈশাবী মপুং ফানরে।

পাখং মপূং ফানরে য়াই-য়াই লোইনা চাওনরে॥

উনবদা—

অঙাং ওইরিঙৈ শাম্নবিনরকপা, ইকাইনরে নংগা ঐগা।

মপুং মরৈ ফারকপা চম্নদে থমোয়গা থমোয়গা ॥

নংগী ঐগী মরক্তা—

পল অমদি লৈরকখি পাখং লৈশাবী ওইরকপদা।

ইকাইবা কৌবা তমথীবা নংগী ঐগী য়াখলদা॥

চেংলৌ মিংচানবা—

কোওদোরুদে থমোয়গী য়াখলদি হাইফেং লৈনা-য়েংলৈ।

ইকাইবা মাগী লাংচুংদা নংগা ঐগা কুমিয়ৈ॥

মালংবনা রি রি হুমলকপদা—

কেন্নরি লৈখোক লোয়রবা খোকুপ লৈরাংদি সুংশিবা।

লৈমন চনবা লৈরাংনা খাওথক্তা মাংহনা কেন্নরিবা॥

ভুংগী আশা লোইরকপদা—

পাম্মুইদকো ফজবা মশক সুংশিদকো লৈনম সুংশিবা।

লৈমাইথক্তা কেন্দুনা লৈরাংবা লৈমন শিংদা চল্লিবা॥

য়েংজবা ওমজরোই।

থাওজবা ওমজরোই॥

লৈরাং নংবু খোংগাওনবদো অচৎ-অওক কয়ানা।

য়েংজনিংদে ঐগী মিৎসিনা থাওমলোয় ঐগী থমোয়সিনা।

ওহাক্কী শান্নবনি,

মীওইবগী পুন্সি লীলাদা,

লৈরাং নংগী অরাবা থাওবদো ওন্না থোইনা!

মিকুপকী তাইবং পানবনি খন্দবা ওমদেদো ... ক্না॥

মীকুপকী লম্বেলনী।

"অপাম্বা, সুংশিবা, পুন্নমক চংকদবা ঐখোয়গী পুন্সিনি।

পুন্সি মিকুপনা লোইরবদা কল্লকপা মিহৌবা মাওখিনি।"

মমশিল্লকাথ—

অমুন হুমিং অদুস্থ, নোংনা হাংসকপগা লোয়ননা!

হল্লকই ঐনা য়ুমদা তপ্পা তপ্পা থোরকতুনা।

নংস্থু—

শঙ্গোইগী মরুমদা লৈশিনখিবা চিংনা-চিংনা য়েংন্থুনা।
খল্লুবদা কয়ম্বু কাওগদগে ঐগী থমোয় অসিনা॥

মরক মরক্তা—

সুম্মিদাংবাইরম অস্থুম চৎথোকই ইতং-তত্তুনা ঐনা।
নথোয়গী পুথ্রি মপাদা ফমলে মরুপশিংগা লোয়ননা॥

করিগুম্বদা ইতোমতা—

ফমলে অনা পোথারে নাপী ছোবা মফমদা।
বাখল খন্না-খন্না ফমখি মফম অদুদা॥

মতমদো—

অশাবা মতম লোইশিল্লকপগী হকচাংদা কয়াদা হুংজাইথ্রবা।
সুম্মিদাংবাইরমগী তপ্পবা হুংশিংনা মি-মি চুমলিবা॥

ফমলিবা—

পুথ্রি মপান অদুদগী য়েংথোকখিবদা মনিং পাংনা,
উহল্লি থাপতক্লা তামনা ফজবা তায়মদাই সুম্মিৎনা।
লিৎথোক্লকপা নীংথিবা মঙাল লৈচিল্লক্লা ঙাংঙাম্নবা মচুনা।
তুম্বক-তুম্বক পরেং-পরেং লৈরি নোংজাবানা অতিয়াদা নীংথিনা

অথাঙ্গদা—

হুংশিবা চেক্লা শঙ্গু-শঙ্গ থাপতক্লা তামনা পাইথ্রিবা।
নাইতোম পাইরম্বা চেক্লাস্থু ময়ুম মাইকৈ পাংলক্লিবা॥
উরুবদা ঐগী মিৎসিনা ওথোক্লা পুক্রিংদা লাংতক্লহল্লিবা॥

ঙাইরি—

য়াচংবা মতম য়োরক্লে হরিনা নেঙ-নেঙ থোংনা ফাওবদা,
ফমদুনা লৈরি ঐদি ঙাইরি মতমদু ফাওবদা।

অমুতংবদি উগে থনজচনা—

চেংলৌ হেন্নবী কৰবী মংগী নীংথিবী মাইথোংদো।

মংনা লৈবা মাইকৈরোমদা ঐনা মুনা হেংখিবদো।

কাওগে থন্নুই। কাওডমদে। থমোয়দা য়েকৰবা শক্তমদো।

পুথি্রগী ঈয়ায়দা—

লাইজ ঈপান হেন্নবী শাংদি থবো অশংবনা।

তংদুনা লৈকা তম্নক লমহেনবা হয়িংথোই, থোইমুনা॥

লৈরাংশীংনা—

হাইনা হৰনা থাওজরি চুপহঙিংদথোইরে লৈকাগী লৈহীদো!

লম্নবাংদা হন্দোকলি কিজবনা থোইমুগী পুকচেলবু হঙোয়রথোইদো!

থল্লীদো—

ঐগী পুক্নিংদা অশুম্না, থোইমুত্তনা পামজবা লৈহী!

কাংজদে মালংবনা হয়দা চুপচনিংবা লৈকাগী লৈহী॥

তাথিদো ঈয়োম্বংদা। অরেম্বদা শিকথিবা লৈহী॥

তেথংপগুম—

লোংদোল-লিল্লা কংবদা, কুমগী শীতেলশিংদুনা।

সুংশাগী মৈশামা পংথরবী লৈরাং পাম্বী কয়াদা॥

মীশক্তি উমরিতৈ মরি-শামি মমলি-মমলি অমম্বদা॥

নংনা—

তপ্পা তপ্পা থোক্লকপা, হমাং-শোরে শামনথে হায়দুনা।

অরাপ্প মতৌ উংথিবা লোয়ৰী সুরাগী চেংলৌদুনা॥

লাইজ ঈপান লাংথিব পুথি ঈয়ায়দা কুমথদুনা।

কনা মাওঙনা মথম্ব, ইরোইদুনা শায়থিবা ননিংতম্না॥

কাওডমদ্রবা সুমীত্তুগী থোদোক্লী!

ভাইদুনা লৈথি — পীতক তৌবী থুপীমচা অমনা।

লেপ্লদুনা থোঙ্গা মথোংদা মংগী কি পাইদুনা॥

পুম্রিগী ঈঘায়দা ইয়োইবদা তেকথৎলকখি অনৌবা লৈরাংগুম্না
ইমুংগী থবক-থানা নোম্মুবদা শোকথরবী নংগী হকচাংনা ॥
নংমা থোঙ্গ্রাদা পায়রম্লুনা শামখিবা নথোং বিম্লুনা !
থোক্লকপা থোঞ্জেন্না তবুং-তবুং পায়রখি নাপ্পদা লাপতক্না
কাওই পুক্লিংদা ভিং-ভিং !

মম্বনা –

উবা কংগ্রবম্ল শেংনা থঙই নংনদি ঐতনা !
থঙখিরবম্ল নংনদি ঐনি য়েংখি নংবু মিৎপু কুপ্তনা ॥

কাথৎলকখি—

ওহাক পুংগোই শামরবদা তপ্পা তপ্পা নংনা !
মুপী মচা অহুগা লোয়ননা চংখি য়ুম পাংফুনা ॥
ঐগী মিৎয়েংগী রাংমদা মায়থোং উখিদবা মম্বনা !
থোঙ্গেলতমক তাবৈ-য়ৈরৈ ঐগী নাপ্পদা তপ্পা ॥

লৈখিবা

মতমদু কাওবদা ঐনা নংগী মাইকৈদা য়েংহুনা !
হুংশিবগী মৈনা চাক্লবা মমি শমলবা মিৎয়্না ॥
ঐগী মরাইবক থীরবা কুৎলবা মিৎয়া অনিসিনা ।
হুংশি মাইকৈদনি য়েংখিবা পুক্লিং অনি লোংদনা ॥

কনাদা হায়রুছুনা—

কনাদা তমুক্লুহুনা—

থাজবে কোকনি হায়বা নংগী হুংশি মৈচাকসে।
ঐগী থমোয় লাইয়ুমদা খাম্বী রাইমা চাক্লিবসে।
লমদম কৈদা চৎলগা করি উপায় তৌহুনা,
মফম কৈদা লৈরগা করম্বা পাবৈ উৎতুনা,
কোক্কদগেনে নংগী মৈচাকসে।
নংনদি থঙলিরোয়দো।

লকাম্নুংগী থমোয়গী মৈচাকসে ॥
করিগুম্বা লৈয়ম্বা থোক্লবদি নংগী থমোয় অচুপা,
উনবা ঙম্বা খুৎলাই ঐগী থমোয় অসিগা।
লৈয়ম্লবদি বিজ্ঞানগী খুৎলাই, উয়মগনি থংলমগনি মতমচুদা,
সুংশিবগী শৈয়োল মথং-মথং য়েক্লুনা লৈরিবা লকাম্নুংদা।
থেৎনগনি নংনা—
মকত্রবা স্নুংশিবগী ঈচেল, থুপ্পা চেল্লিবদো থমোয়নুংদা।
হাইদোকলুবদা থমোয়গী লৈমায়, ইরিবদো পুন্সিগী চেনাদা।
অয়েম্বা লৈতনা চৎথিবা, মতম খোঙলৈ থিঙমদনা।
থিংবা ঙমদ্রোদে মতমবু শোল্লবা ঐগী পুক্লিংদা॥
মিৎকুপ অমত্তং ঙাইবীযু তাবিথিদে নিংঙাইদবা মতমদা।
অনুম হৌথি মতম নংগী ঐগী পুন্সিদা ॥
থাজদে—
নংনা তৌথিবা ফিভম উৎথিবা মঙং অচুনা,
সংনা ঐবু স্নুংশিদে হায়বা ঙমলোই ঐনা।
নিংশিংহল্লি—
কুইয়-কুইরগা অস্নুম মমাংগী থোদোক কয়ানা।
ঐগী থোপতা চংলকলে নংনা হায়থিবা রাইহেশিংনা॥
ঐঙোম্দা—
কয়াদা অবাবা পিরকলিবা—
লৈকাইগী মিদোক-মিৎয়েং নক্লবগী রাংলবা শম্বল,
করি চিংনিনিংঙাই লৈবগে চৎনবী য়েক-শলাইগী চেকপল।
স্নুংশিবদা॥
করি কায়বা লৈযগে?
স্নুংশিবদা।
সমাজগী য়েক-শলাই; অমাং-অশেংগী য়েৎনবা,

কন্নবা পল চাংমসু লৈসপু করি চিংনিংঙাই লৈরিবা।
ইশাগী কান্নবা য়েংনবা সমাজদা—
মী কয়াগী পুন্সিবু কয়াগী মতিক য়াহনবা।
মুংশি য়াথল থন্দুনা অহিং কয়া তুমনখিদবা।
কনানা থঙবিখিদে।
কনানা উবিখিদে॥
অহিং কয়ানা পিরাংনা মোলাং তথায় চোৎখিবা।
কনানা থঙবাদে, য়াথল থয়া-থয়া নোংঙালখিবা॥
অপাম্বা পোৎপু ফংব্রবা মুংশি কাদা থুংব্রবা,
করি কাময়িবগে মুংশিনবগী, পাথং লৈশাবীগী মুংশিনবা।
অরেম্বদা—
মুংশি য়াথল থন্দুনা থমোয় কায়জগে শিনব্রা?
পহুংফম য়াওব্রবা মুংশিবদা পুন্সি মমেং তামব্রা?
মুংশিববু মীনম্নবা—
অশেংববু থন্নব্রবা—
অমুত্তংদি লমন খুন্নকপা শোয়ব্রবনি।
মুংশিবা মীয়ামবগী লমন—"কাম্নবা।"
থমোয় ওমচারবা, কত্তাওনবা॥
মুংশিববু থুংনব্রবদা—
মুংশিনবগী অর্থ লৈব্রবা তাইবঙদা থিংনুবগী অয়াবা,
থৌদোকশিংনা মহু পান্দুনা থগ্নোমম্বা লোমা চিংবা।

"মিংশিংবনি।"

নংবু নিংশিংবা ওমনব্রবা ঐগী য়াথলগী কীজঙদা।
কোকত্রা নংগী মৈচাকসে নংগী শক্তমনা তায়ব্রবদা॥
নিংশিংবনা ঐগী থমোয়বু কয়াগী মতিক য়াহল্লিবা।
থাজদে। কোকলি তায়বা, থাজদে মৈচাকসে চাল্লিবা॥

থাবলনা ফনা ফজুনসু –

ঙাম্নবসু থাবলনা লৈবাক্তা ককচেং চৎপা উনা।
ওইখোক্তবনি অয়ুক মুংখিলগুম, ঙানবা সুমিৎকী মঙাসগুম্বা॥
থেংলবা অহিংদা থাবল্লনা কিঙৌ শানা ঙাম্নবদা।
তাইবংদা মঙাল পীবীদুনা পুম্নিংদা মুংঙাইবা ফাওমন্নবদা।

থাবলদা–

লৈরাংনা ফুগাইমা শাৎলিবা লৈনমনা লৈকাই পম্নাল্লিবা।
অশাৎপা থাবল্লৈ লৈমম মালংনা হুম্বুনা পুম্নক্লিবা॥
ঈংলবা তপ্লবা মুংশিংনা রি-রি হকচাংদা য়ৈবদা।
মুংঙাইহল্লি। অহিংগী লৈবাংগী মুংশিবা লৈমম ফংবদা॥

ওইখোক্তবা নত্তে।
ওইখোক্তবা নত্তে॥

থমোয়দা নৌহৌনা মুংশি ঈথিলনা ঈমোৎ পীরকপা!
তাকমদাই থাজবী মিংঙমদবা মতৌ থানলনা মাথোং লোল্লকপা,
য়েংঙমদেদো। পামেমশিংনা ভুম্বক-ভুম্বক ভুমিনা লেমা।
পুক্সিগী আশানা লোইশিন্নকপা থমোয় লৈরানা পিকশিন্নকপা,
ফাওদবা নত্তে অরাবা পুক্লিং রাথলনা কংশিল্লকপা।

ঐগী–

মিংবা থুংহৌজবা পুক্সিদি মুংশি রাথল থল্লুবা,
থরেম্বা তারবনি পুম্নমক, অমহাক্সি লৈরাংদা অকেনবা।
কানজবা রাথদ্রি, চমজবা শীংহেনগুম লৈখাইৎক্তা কেন্নবা॥

চেক্লা–

মরোল থোক্না-থোক্না থোক্লেল থোক্কপা ঙমখিজে।
পোখী মশা খাওনা-খাওনা পোন্দগী পাইথোকপা ঙমখিজ্রে,
মিকথে মশাদো থক-থক চৎনবীদু কিজখিবনা
চেক্লা থোক্মেলদি তাক্কবে পোখী শৈশক্তি তমহুনা॥

পুন্সিগী আশাদি কদোমদা—

থুম্নবা চিনবানগী রাহৈবু লৈহিনি হায়না খল্লুরে।
পুন্সি আশা থম্লুরে খাঙ্দবা থগোয় কেমহৌরে॥
আশা ময়োল তেকখ্রে থমোয় লৈনা খুইখ্রে।
পুন্সি মহৈ যাম্নরোই হুংশি পামেন তুখ্রে॥
হুংশি-তিন্না চিকথ্রবা লৈরাং লৈশাং তম্নরোই।
থমোয় অক্নাদি লৈহোনি চেক্লা কাইদোংদি ফংলরোই॥
পোম্বী লৈশক্তি তাখিনি হুংশি শক্তমদি উমরোই॥
"চেক্লাগী পুন্সিনা শাথপ তোয়শিনি
ঐগী পুন্সিনা হুংশি লমদম য়েংহোনি॥"
"মীওইবগী পুন্সি থারোদি, হওনাংগী রাইনি কাওগনু।
খোঙকম অমত্তং শোয়খিবদা লাইখিগনি কাওগনু॥
লুপ্রবা পুন্সি ঈচেলদি অয়েম্বা লৈনবা সমাজদা।
পোকপদগী শিবাফাওনা থেংদোক্নবা ঈশাই নাকুন্সাদা॥
পূম্নমক হেখিনি, লোইনমক চংখিনি। কুম্লদবদি হুংশিবনি।
অমনবা কৈদৌ লোপাহুনা, কনৌবা ফাক্লেং শেংপনি॥
মখল কয়া ঈচেলনে পুন্সি ঈচেলদা কাওথনিবনি॥

লোইরবা

অথুহন্না—

১। [illegible] চৈথাং (উপন্যাস)

—হৌজিক্কী অমাঙবা চেৎনা ঊচেল কয়া।

—লেৎবীশুনি, লাইব্রেরী মচাং মচাং

থুনিলনা।

অইবা



[illegible]—

[illegible] হাউস—শীংজমৈ

[illegible] মহুং

ইকানগী লা[illegible]ক মোমকম পু[illegible]লকা।

Cover Printed at the Friends' Union Press, Imphal.